# কে পি এস সি ককচীংনা নেরোকা এফ সি শঙাকফম মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ২০ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথ্নরকপা ১২ শুবা দি এস এ ট্রোফি নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী চেম্পিয়ন কে পি এস সি ককচিংনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা কে পি এস সি ককচীংনা নেরোকা এফ সি শঙাকফম টাই ব্রেক্তা গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা কে পি এস সি ককচীংগী ঙমনৈরিং কোমনা হায়েষ্ট স্কোরগী মনা ফংখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না গোল ৮ চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট গোল কিপরনা কে পি এস সি ককচীংগী জয়চন্দ্রনা তাখি।

বেষ্ট মিদফিল্ডরনা সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) গী টি ঐচ রোসন মীতৈনা তাখি। মেন ওফ দ টুর্নামেন্টনা নেরোকা এফ সিগী ৱাংখৈরাকপম তোম্বনা তাখি। বেষ্ট ফ্যের প্লে টিমসু নেরোকা ফুটবোল ক্লব শঙাকফম্না তাখ্রে।

বেষ্ট দিফেন্দরসু নেরোকা ফুটবোল ক্লবকী মোইরাংথেম গোবিন্দনা অদুগা মেন ওফ দ ফাইনেল মেচনা কে পি এস সি ককচীংগী গোপিনা তাখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট কোচনা এস এস য়ু শিংজমৈগী কে ঐচ ইনাওচানা অদুগা বেষ্ট মেনেজরনা নেরোকা এফ সিগী কাসিনা তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা নেরোকা এফ সি অমসুং কে পি এফ সি ককচিংগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে।

মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অমনা অমগী মায়কৈদা গোল চন্ননবা অকনবা এটেক কয়া চথ্নখি। নেরোকাগী টিমদা থোইদোক হেন্দোক্না মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া য়াওবগী মথক্তা ফোরেন প্লেয়র অনীসু শরুক য়াদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবা কন্না হোৎনখি। অদুবু কে পি এস সি ককচীংগী শান্নরোয়শিংসু অরায়বা ওইখিদবা মরম্না নাকল অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি।

মেচকী নোর্মেল টাইমদা টিম অনীমক্না গোল ২-২ চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং টাই ব্রেক্কী কিক্স ফ্রোম পেনালটি মার্কতা কে পি এস সি ককচীংনা নেরোকা এফ সিবু গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীখি।

কে পি এস সি ককচীং অমসুং নেরোকা শঙাকফম দি এস এ ট্রোফিদা অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙলকখিবনি। ঙসি কে পি এস সি ককচীংনা নেরোকাবু টাই ব্রেক্তা মায়থীবা পীদুনা দি এস এ ট্রোফিগী অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

# বিদ্যাসাগর সলাম্না নুপাগী, পুর্ণিমানা নুপীগী চহী ১৯ মখাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা তাং ১৮ দগী দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এম বি এগী ইন্দোর হোলদা চথ্নরকপা ৩ শুবা অমেচর বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা বিদ্যাসাগর সলাম্না নুপাগী চহী ১৯ মখা অমসুং চহী ১৫ মখাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা এন পুর্ণিমানা নুপীগী চহী ১৯ মখাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

লমদমসিগী মমিং লৈরবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা নুমিৎ হুমনি চুপ্না চথ্নখিবা অমেচর বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা বিদ্যাসাগর সলাম্না এল উনিলকুমারবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

অন্দর-১৯ বোইজ সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইখ্রবা বিদ্যাসাগর সলাম্না ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ১০গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা এল উনিলকুমারনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ৭ কী শেলগী মনা ফংখি।

নুপীগী চহী ১৯ মখাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এন পুর্ণিমানা এন অঙ্গিতা মায়থীবা পীদুনা গার্লস সিঙ্গলস অন্দর-১৯ গী টাইটল লৌখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা এন পুর্ণিমানা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ১০ গী শেলগী মনা ফংখিবগা লোয়ননা রন্নর্স-অপ তাখ্রবা এল অঙ্গিতানা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ৭ কী শেলগী মনা ফংখি।



চহী ১৯ মখাগী বোইজ দবলসকী ৱিন্নর কে দিঙ্কু অমসুং কে ঐচ মঞ্জিৎকী জুরানা ওইখ্রে। রন্নর্স-অপনা বিদ্যাসাগর সলাম অমসুং পুন্সিবা য়েংখোম্না তাখ্রে। নুপীগী চহী ১৯ মখাগী দবলসকী ৱিন্নর কে এস ঐচ মহেশ্বরি অমসুং ৱাই ধনবতি অনীগী জুরানা ওইখ্রে। রন্নর্স-অপনা অঙ্গিতা নাওরেম অমসুং রুবশাহ হুসেন অনীগী জুরানা তাখ্রে।

মেন'স দবলসকী ৱিন্নর কে ঐচ নিরঞ্জয় অমসুং ঐচ কিষনগী জুরানা ওইখ্রে। রন্নর্স-অপনা আর কে রোবিনসন্না অমসুং কে ঐচ পুন্সিবগী জুরানা ওইখ্রে। চহী ১৫ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা বিদ্যাসাগর সলাম্না য়েংখোম পুন্সিববু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। পুন্সিবা য়েংখোম্না রন্নর্স-অপ তাখি।

নুপীগী চহী ১৫ মখাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা কে এস ঐচ মহেশ্বরিনা এল দাইনা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। এল দাইনানা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ট্রোফি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ ঃ ৱাঙু শন্দংখোং সোসিএল ৱেলফ্যের য়ুঠ ক্লব (এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি) শন্দংখোংনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথ্নরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ট্রোফি ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা বি কে দি সি টিম বি বোরায়াংবিনা বি ৱাই দি ও টিম এ বোরায়াংবি গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা বি কে দি সি টিম বি বোরায়াংবিগী মায় পাকপগী গোল অদু দারুটনা মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস কে আর সি নুংঙুনা ত্যুদেক ৱাঙু তেরা গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা এস কে আর সি নুঙুগী অহানবা গোল ঙানবনা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল রতন্না মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মনিচন্দ্রনা মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা কে বি এস ৱাই সি খোংয়াম্না বি কে দি সি টিম এ বোরায়াংবি গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা কে বি এস ৱাই সি খোংয়ামগী গোলশিং অদু মনিয়াইনা গোল অনী মেচকী ৪০ অমসুং ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখি। রতন্না টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা বি কে দি সি টিম এ বোরায়াংবিনা গোল অমত্তা কে বি এস ৱাই সিগী মায়কৈদা চনবা ঙমখিদবনা গোল ৩ শোত্থরগা মেচ মায়থীহৌখি।

ঙসি মরিশুবা মেচ ওইনা বি ৱাই দি ও টিম বি বোরায়াংবি অমসুং কে দি ও খোইজুমানতাবী অনীনা শান্নগদবা মেচতা কে দি ও খোইজুমানতাবী লাক্তবদগী বি ৱাই দি ও টিম বি বোরায়াংবিনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

# ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা ৱাই ভি এ অমসুং এস য়ু দব্লিয়ু সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ ঃ আই ৱাই ৱাই সি নাওরেম মখা লৈকায়না শিন্দুনা ঙরাংদগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথ্নরিবা অহানবা ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম অমসুং এস য়ু দব্লিয়ু সি ইরেংবম মায় পাকখ্রে।

টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১৯ দগী চথ্নরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম্না য়ু সি লাইফ্রাকপম সেট ৩-১ (২০-২৫, ২৫-১৮, ৩০-২৮, ৩০-২৮) তা মায়থীবা পীখি।

ঙসি অনীশুবা মেচ ওইনা টি এল ৱাই সি হৈরোক অমসুং এস দব্লিয়ু ৱাই সি শান্তিপুর অনীনা শান্নগদবা মেচতা এস দব্লিয়ু ৱাই সি শান্তিপুর লাক্তবদগী টি এল ৱাই সি হৈরোক্না ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি অহুমশুবা মেচ ওইনা এম এস এ ময়াং ইম্ফাল মাইবম অমসুং এস দি আই ইশোক অনীনা শান্নগদবা মেচতসু এস দি আই ইশোক লাক্তবদগী এম এস এ ময়াং ইম্ফাল মাইবম্না ৱর্ক ওভর ফংখি। ঙসি মরিশুবা মেচ ওইনা য়ু সি লাইফ্রাকপম অমসুং আই ৱাই ৱাই সি (এন ৱাই ভি এ) নাওরেম অনীনা শান্নগদবা মেচতা য়ু সি লাইফ্রাকপম লাক্তবদগী এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা মেচতা এস য়ু দব্লিয়ু সি ইরেংবম্না ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজম সেট ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-১৩, ২৯-২৭) দা মায়থীবা পীখ্রে।

# ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ মেন ওপন ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ ঃ ৱাই ভি এ ঙাইরাংবমনা শিন্দুনা চথ্নরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ মেন'স ওপন ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি লীগ মেচ লোইখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে।

টিম ৫ না গ্রুপ ২ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১৭ তগী চথ্নরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ এগী ৱিন্নর এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না অদুগা রন্নরনা ৱাই ভি এ টিম এ ঙাইরাংবম্না তাদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। গ্রুপ বিদা ভি এস এ মোইদাংপোক্না ৱিন্নর অদুগা কে ৱাই দি সি কাচিখুলনা রন্নর্স-অপ তাদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ গ্রুপ এগী ৱিন্নর এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং গ্রুপ বিগী রন্নর কে ৱাই দি সি কাচিখুল অনীনা অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা শান্নরগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ভি এস এ মোইদাংপোক অমসুং গ্রুপ এগী রন্নর ৱাই ভি এ টিম এ ঙাইরাংবম্না শান্নরগনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচনা থা অসিগী ২৩ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা কে ৱাই দি সি কাচিখুল, ৱাই দি সি য়ুরেম্বম, এন ৱাই ভি এ নাওরেম, ভি এস এ মোইদাংপোক, এন ৱাই দি সি খাইদেম অমসুং ৱাই ভি এ টিম এ ঙাইরাংবম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা কে ৱাই দি সি কাচিখুলনা এম ৱাই দি সি মাল্লুং সেট ৩-০ (২৫-১১, ২৫-১১, ২৫-১৬) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা ৱাই দি সি য়ুরেম্বম্না এল ৱাই দি সি লুকের সেট ৩-০ (২৫-০, ২৫-০, ২৫-০) দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না এস ৱাই এস সি শঙাইথেল সেট ৩-০ (২৫-০, ২৫-০, ২৫-০) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতা ভি এস এ মোইদাংপোক্না এম ৱাই দি সি মাল্লুং সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-১১, ২৫-১৬) দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা মেচতা এন ৱাই দি সি খাইদেম্না কে ৱাই দি সি কাচিখুল সেট ৩-১ (১৬-২৫, ২৫-২২, ২৫-১৯, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা অমসুং অরোইবা লীগ মেচতা ৱাই ভি এ টিম এ ঙাইরাংবম্না ৱাই দি সি য়ুরেম্বম সেট ৩-০ (২৫-৯, ২৫-১৯, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীখি।

# সেকেন্দ দিভিজন লীগ কন্দক্ট তৌনবা মণিপুরদগী নেশনল রেফ্রি মরি খল্লক্লে

ইম্ফাল, মার্চ২০ ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চথ্নরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৬ কী তোঙান তোঙানবা মেচশিংদা কন্দক্ট তৌননবগীদমক মণিপুরদগী নেসনল রেফ্রি মরি খল্লক্লে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন্না মণিপুরদগী খল্লবা রেফ্রিমরি অদুদি এম দি লটিফ আলি, এন অরুনকুমার, পি ঐচ লনথোইবা অমসুং রোপেন্দ্রো মীতৈনি। হায়রিবা রেফ্রি মরি অসিনা সিক্কিমগী কোনুং গেংটোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী মেচশিংদা কন্দক্ট তৌগনি। এম দি লটিফ অলি, এন অরুন কুমার অমসুং পি ঐচ লনথোইবনা এপ্রিল ৭ তা অদুগা রোপেন্দ্রো মীতৈনা এপ্রিল ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মেচতা কন্দক্ট তৌগনি।

# সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এ ৱাই দি এ অৱাং খুনৌনা পাইওনর লমদেং মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ ঃ অৱাং খুনৌ য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএশন (এ ৱাই দি এ) অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী গ্রাউন্দদা চথ্নরিবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিজেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি অয়ূক্কী শান্নগদবা মেচশিং নোংচুবনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথ্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অহানবা মেচতা এ ৱাই দি এ অৱাং খুনৌনা পাইওনর লমদেং গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাওনা মায় পাল্লবা এ ৱাই দি এ অৱাং খুনৌগী অহানবা গোল উমাকান্তনা মেচকী অহানবা মিনিটতা চনখি। হেরোজিৎনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা, সোজেন্দ্রোনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা অদুগা উমাকান্তনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা পি এ সি পাইওনর লমদেংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রিসিকান্তনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি।


ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা আই দব্লিয়ু এস সি খুম্বোংনা ৱাই দি সি য়ুরেম্বম গোল ৬-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাওনা মায় পাল্লবা আই দব্লিয়ু এস সি খুম্বোংগী অহানবা গোল চাওবনা মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় তরুন্না গোল ৪ চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখিবগা লোয়ননা হেটট্রিক ফংখি। তরুন্না গোলশিং অদু মেচকী ২৬ শুবা, ৩৪ শুবা, ৪০ শুবা অমসুং ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

টিমদুগী শান্নরোয় চাওবনা গোল অমা মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা অদুগা প্রিয়োনা গোল অমা মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৬ শুখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা ৱাই দি সি য়ুরেম্বমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মঙলেমঙানবনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ ঃ মালেম অপূনবা থাঙ-তা মহৈকোল (মতম) গী জেনরেল বোদি মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা মহৈকোল অসিগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খনখ্রে হায়না মালেম অপূনবা থাঙ-তা মহৈকোলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। নৌনা থৌ পুনবগীদমক্তা খল্লবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্টদা আর লোংজম্বা, ভাইস প্রসিদেন্টদা টি ঐচ সরতচন্দ্র, জেনরেল সেক্রেটরিদা এল আনন্ত মীতৈ, এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিদা এস মিশাল মৈতৈ, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা এম মোমোচা মীতৈনি হায়রি।

লোয়ননা থাঙ-তা তম্বীনিংবা মীওইশিংনা মহৈকোল অসিদা লাক্তুনা চীংখৈরোই শাজেল, শরিৎ-শরা, লানথাংনচিংবা তম্লবা য়াগনি। তম্বগী মতমনা অয়ূক্কী পুং ৬ তগীনা ৮ ফাওবা অমদি নুংথিলগী পুং ৪.৩০ দগীনা ৬ ফাওবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।




HL-B/3004/9,12,15,18,21,24,27,30,2,5,8,11,14,17,20,23,26,29,2,5,8



HL-B/2960/11,13,15,17,19,21,23,25....




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com